## কেথিদ্রেল চাকপগা মরী লৈননা নুপা অমা ফারে

পেরিস, জুলাই ১৯, (এজেন্সি) :

ফ্রান্সকী সিটি নান্টেসতা ১৫ শুবা চহী চাগী কেথিদ্রেল অমা মৈ চাকখিবগী থৌদোক্তা মরী লৈননা মশাগী চহী ৩৯ শুরবা নুপা অমা ফারে হায়রি।

টি ভি চেনেল এল সী আইগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মৈ চাকপা অদুদা মচু শংবা গ্লাসকী থোঙনাওশিং অমদি গ্রান্দ ওর্গান মাঙ-তাকখি। রুৱানদা রেফ্যুজি অমা ওইরিবা নুপা অদু কেথিদ্রেল অদুদা ভোলন্টিয়র অমা ওইনা থবক তৌরকখি। ইরাই নুমিৎকী অহিংদা বিল্ডিং শোলোনবগী থবক মঙোন্দা শীন্নখি হায়না পোসিক্যুটর পায়রস সীলসকী ৱারোল পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

নুপা অদু ফারিবদু মহাক্কী সেদ্যুলদা চান্নদবা কয়া লৈরম্বা থেংনবদগীনি। থাংজ নুমিত্তা কেথিদ্রেল অদুদা মফম অহুম থোক্লা মৈ হৌরকখি। কনামত্তনা নমফুদা মনুংদা চঙখিবগী খুদম-চাংদমশিং থেংনখিদে। অতম্নগা মৈ থাখিব্রা হায়বগী মতাংদা থিজিনবা হৌরে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

## য়ু কেনা চাইনিজ ওফিসলশিংদা অথিংবশিং থম্লক্লবদি চাইনানা অকনবা পাউখুম পীগনি

লন্দন, জুলাই ১৯ (এজেন্সি) :

হোং কোংদা অনৌবা সিক্যুরিটি লো চৎনহনখিবা মতুংদা বৃটেননা চাইনিজ ওফিসলশিংদা অথিংবশিং থম্নবা হোৎনরকপা তারবদি চাইনানা মদুগী অকনবা পাউখুম পীগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা লন্দনদা লৈবা চাইনিজ এম্বেসেদরনা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা বৃটেন্না মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোকশিং নৎত্রগা ওর্গনাইজ ক্রাইমদা চেন্নবনি হায়বা ইন্দিভিজ্যুএলশিংদা টার্গেট তৌবা অনৌবা সেঙ্কসন্স রেজিম অমা পুথোকখিবা মতুংদা চাইনিজ এম্বেসেদরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগী কঞ্জাভেটিভ পার্টিগী লো মেকর খরনা চাইনিজ ওফিসলশিংদা অথিংবা থম্বগী খোঙথাং লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা য়ু কে গভর্নমেন্টনা চাইনিজ ওফিসলশিংদা অথিংবশিং থম্নবগী খোঙথাংশিং লৌখৎলকপা



তারবদি চাইনানসু মদুগী মায়োক্তা শোয়দবা অকনবা পাউখুম পীগনি হায়না এম্বেসেদর লিয়ু সিয়াওমিংনা বি বি সীগী এন্দ্রু মার্সোদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থোক্লিবশিং ঐখোয় পুম্নবনা উনরে। মখোয়না চাইনিজ ওফিসলশিংদা অথিংবা থম্মী অমসুং ঐখোয়নসু মখোয়গী সিনেটরশিং, ওফিসলশিংদা অথিংবা থম্মী।

অসিগুম্বা অমগা অমগা লমন খুম্নদুনা অথিংবা থম্নবগী মওং অসি ঐহাক্না চাইনা-য়ু কে মরীদা থোকহনবা পামদে।

প্রোগ্রাম অদুমক্তদা বৃটিশ ফোরেন সেক্রেটরি দোমিনিক রাবনা হোং কোং অমসুং চাইনাগা মরী লৈননা গভর্নমেন্টনা মখা তানা লৌখৎকদৌরিবা খোঙথাংশিংগী মরমদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্টতা খঙহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

বৃটেন্না হায়রিবদি হোং কোংদা চৎনহল্লিবা অনৌবা নেসনল সিক্যুরিটি লো অদুনা সিটি অসিবু চাইনিজ লৈঙাক্তা শীন্নদ্রিঙৈদা য়ানখিবা ৱাফমশিং থুগায় অমসুং সিটি অসিবু মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ফাইনান্সিএল হবশিংগী মনুংদা ওইহনবদা মতেং ওইখিবা মেনলেন্দদা ফংদবা ফ্রীদমশিং মাঙহন্নবা হোৎনৈ হায়বসিনি। হোং কোং অমসুং বৈজিংগী ওফিসলশিংনদি অনৌবা সিক্যুরিটি লো অসি নেসনল সিক্যুরিটি দিফেন্সশিংদা লৈরিবা অহোবশিং মেনশিন্নবা হোৎনবদা য়াম্না তঙাইফদে হায়রি। মখোয়গী মতুং ইন্না হন্দক্তা হোং কোংদা চথখিবা প্রোটেষ্ট কয়ানা লৈবাক্কী সিক্যুরিটি দিফেন্সকী থৌরাংশিংদা অহোবা খরা লৈরে হায়বসি উৎখি।

অমরোমদা, চাইনানদি নোংচুপলোমগী পৱারশিংদা হোং কোংগী এফ্যেরসতা খুৎ থিংজিনবা লেপ্পনবা হন্না হন্না অপিল তৌখ্রবনি।

## নুপী ঙাক্তগী ক্রুনা ব্লেক সীদা পেট্রোলিং তৌখ্রে




সেভষ্টোপোল, জুলাই ১৯, (এজেন্সি) :

রসিয়ন নেভিগী অহানবা ওইনা নুপী ঙাক্তা ওইবা নেভিগী ক্রু অমদা ইরাই নুমিত্তা ব্লেক সীদা পেট্রোলশিং পাঙথোকখ্রে। থা অসিগী অথেংবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা নেভি দে থৌরমগী শেম-শাবা ওইনা ক্রু অদুনা পেট্রোলিং চথখিবনি।

পেট্রোল হি অমদা তোংলিবা ক্রু অদুনা মখোয়গী অহানবা খোঙচৎ অদুদা সমুদ্রদা আর জি বি-৫ হেন্দ গ্রেনেদশিং লংশিনবা য়াওনা য়েক্লবশিংনা নেভিগী জহাজশিংদা এটেক তৌনবা হোৎনরকপা মতমদা করম্না থেংনগদগে হায়বগী থৌওং তমদুনা মখল-মখা কয়াগী দ্রিলশিং পাঙথোকখি। রসিয়ন নেভিগী নুপীশিংগী ওইবা ক্রু অদুগী খোঙচৎ অদু রসিয়ন নুপীশিংনা নুপানা দোমিনেট তৌবা ইন্সষ্টিট্যুসন অমা ওইরিবা অর্মর্দ ফোর্সেসতা হেন্না এক্তিভ ওইবা থৌদাং লৌনবা হোৎনরকপগী অহানবা খোঙথাংনি হায়না লৌনরি।

রসিয়াগী ব্লেক সী ফ্লিট মোস্কোনা কুমজা ২০১৪ দা য়ুক্রেনদগী লৌশিনখিবা ক্রিমিয়াদা বেজ তৌই। য়ুক্রেন্না পাল্লিবদি রসিয়ানা ক্রিমিয়া হন্দোরকপা অসিনি। রসিয়ন নেভিগী ওইনা নুপীশিং রিক্রুট তৌবদা অথিংবা থমদুনা লাকখি।

প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা কুমজা ২০০০ দা সাইন তৌখিবা দিক্রি অমদা নুপীশিংনা থবক চঙবা থিংবা ইন্দষ্ট্রি ৩৮ গী থবক্কী ফম ৪৫৬ কী লিষ্ট অমা য়াওখি। থবকশিং অদু নুপীশিংনা পাঙথোকপদা য়াম্না ৱানা থোক্কনি হায়রদুনা নুপীশিংনা চঙবা য়াদবা থবকশিংগী লিষ্ট অদু থোকখিবনি। রসিয়ন গভর্নমেন্টনা মথংগী চহীদা নুপীশিং অখন্নবা থবক খরদা চঙবা য়াহন্নবা লিষ্ট অদু তেনশিন্নবা থৌরাং তৌরি।

## জর্মনিগী মর্কেলনা সম্মিট ফেল ওইবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে



ব্রাসেলস, জুলাই ১৯ (এজেন্সি) : য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লিদরশিংনা থংনা থংননা হুম্নি শুবা নুমিৎ ওইনা নোংমাইজিং নুমিত্তসু মখা তানা কোরোনাভাইরসকী চৈথেং কোকহন্নবগী ষ্টিম্যুলস দিল অমা পুরক্নবা খন্ন-নৈনখিবগা লোয়ননা জর্মনিগী চান্সেলর এঞ্জেলা মর্কেলনা য়ুনিয়ন অসিগী লৈবাকশিংগী চাদিংগী চাংগী মতাংদা য়ানদবা লৈরিবদু ৱারোইশিন পুরকপদা ৱানা থোক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা ব্লোক অসিগী শেল-থুমগী থবক থৌরমশিংনা মায়োক্নরক্লিবা খ্বাইদগী শাথিবা রিসেসনগী ফিভমদগী কন্নবগীদমক্তা ব্লোক অসিগী পৱার ব্রোকরশিং ওইরিবা জর্মনি অমসুং ফ্রান্সনা য়ুরো ত্রিলিয়ন ১.৮ (দোলর ত্রিলিয়ন ২.০৬)কী দিল অমা পুরক্নবগী ৱাফম মীফম অদুদা তকশিল্লিবনি। লৈবাক অনীগী ৱাফম অসিদা খুরৌ থাংলিবা পোইন্টশিংগী মনুংদা অনৌবা রিকোভরি ফন্দগী সাইজ অমসুং গ্রান্টশিং অমদি লোনশিংগী চাংনা কয়াম য়ামহনগদগে হায়বসিসু য়াওইরি।

ইনাক খুল্লবসু শেল খরা লিক্লা শীজিন্নবা পাম্বা নেদরলেন্দকুম্বা য়ুনিয়ন অসিগী লৈবাক খরনদি রিকোভরি ফন্দ, গ্রান্ট নৎত্রগা লোনদা শীজিন্নগদবা শেনফমশিংগী চাংদা য়ারিবমখৈ পনখৈ লৈহন্নবা তকশিনবা লৈবদগী য়ুনিয়ন অসিদা নোর্থ-সাউথ খায়দোকপগী ফিভম হেনজিল্লকপগী মওং অমা উবা ফংখি। পান্দেমিক থেংনরকখিবা মতমদা চহী ১০ চুপ্পা লৈরকখিবা মপানগী শেন্দোল কোকহন্নবগী ক্রাইসিস অমা লোইশিনবদা ঙাইরিবা গ্রীসকী প্রাইম মিনিষ্টর কিরিয়াকোস মিটসোতাকিসনা ঈ য়ুদা খায়বুং-খায়বুং তান্নবগী ফিভম লৈহনবা নৎত্রগা শোনবা মানবগী মওং উহনফম থোক্তে হায়রদুনা ব্লোক অসিগী লৈবাকশিংগী মরক্তা য়ুনিটি লৈহন্নবা অপিল তৌখি।

লিদরশিংনা মীফম অদু য়ুরোপিয়ন ইন্টিগ্রেসনগী চহী ৭০ রোম শুরক্লবা প্রোসেসকী পুৱারীদা য়াম্না মরু ওইবা ৱারেপ লৌগদবা মীফম্নি হায়না ফোঙদোক্কখি। মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রবা হকশেল অমসুং শেল-থুমগী ক্রাইসিস অসিগী মরক্তা মখোয়না য়ানবা পুরকপা ঙমদবা তারবদি ব্লোক অসি লৈবদগী কদায় ফাওবা কান্নবা পীরিবগে হায়বগী মতাংদা অরুবা ৱাহং কয়া লাক্লগনি হায়না ওফিসলশিং অমসুং এক্সপার্টশিংনা হায়রি।

## নেটনয়াহুগী করপসনগী ৱায়েল জন্যুৱারিদগী হৌরগনি



জেরুসলম, জুলাই ১৯ (এজেন্সি) :

চয়োল অমগী মনুংদা ৱিটনেসশিং অহুম্লক হীয়রিং চথবগ লোয়ননা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুগী করপসনগী ৱায়েল লাক্লিবা জন্যুৱারিদগী চথবা হৌরগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইজরেলি কোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ফম পায়না পায়না ৱায়েল মায়োক্লবা ইজরেলগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নেটনয়াহুগী উকিলশিংনা মখোয়গী ষ্ট্রেটেজি শেম শান্নবগীদমক্তা থা ৬ ৱায়েল য়ৈথোকপিনবা হায়জখিবনি। ইজরেলদা হৌজিক তঙাইফদনা শীজিন্নহল্লিবা এন্টি-কোরোনাভাইরস মাস্কশিং উপ্পা ৱিটনেসশিংদগী অচুম্বা খঙনবা হোৎনবা হায়বসি ৱানা থোক্কনি হায়রদুনা মখোয়না ৱায়েল অদু য়ৈথোকপিনবা কোর্টতা হায়জখি।

নেটনয়াহুগী করপসনগী কেস অসিনা মরম ওইদুনা মহাক্কী মায়োক্তা মীয়াম্না লন্বীদা প্রোটেষ্ট তৌনবসু য়াওরকখি। দেমোনষ্ট্রেটরশিংনা মহাক করপসনদা চেন্নে অমসুং মহাক্কী কোরোনাভাইরস পান্দেমিক থেংনবগী থৌরাংশিং পেনিংঙাই ওইদে হায়না ফোঙদোক্লখি।

থাংজ নুমিত্তা জেরুসলেমদা লৈবা নেটনয়াহুগী ওফিসল রেসিদেন্সকী মপান্দা ইরাং হৌরিবা দেমোনষ্ট্রেটরশিং তানখায়নবা হোৎনবদা ইজরেল পুলিসনা ৱাটর কেনন কাপখি। টেল অভিভতা লন্বী থিংলিবা প্রোটেষ্টরশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্লখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী কোর্টগী সেসনদা নেটনয়াহু মশাদি শরুক য়াখিদে। ইজরেলগী ভেটরন লিদর অসিগী ৱায়েল হৌখিবা মেদা জেরুসলেম দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা হৌনবী মতুং ইন্না হৌখিবনি। নেটনয়াহুনা মঙোন্দা শীরিবা শেঞ্জা-থুমজা, নমথাক তৌবা অমদি থাজবা মাঙহনবগী মরালশিং য়াখিদে। মহাক্কী উকিলশিংদা কোর্টনা মহাক্কী মায়োক্তা লৈরিবা ইভিদেন্সশিং ষ্টদি তৌনবা থা অনীগী মতম পীখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী হীয়রিং অসিদা নেটনয়াহুগী উকিলশিংনা ৱিটনেসশিং অমসুং দোক্যুমেন্টশিংগী মতাংদা পরিং নাইনা প্রি-ট্রাইয়ল মোসনশিং ফাইল তৌনবগী অহেনবা মতম পীবিনবা কোর্টতা হায়জখি। মাস্ক উপ্পগা হৌজিক কোর্টকী সেসন পাঙথোকপা হায়বসি শোয়দনা প্রোব্লেম ওইগনি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

## বৈজিংনা কোভিদ-১৯ ইমর্জেন্সি রেস্পোন্সকী থাক হন্থহল্লগনি

বৈজিং, জুলাই ১৯ (এজেন্সি) :

বৈজিংনা কোভিদ-১৯গী ইমর্জেন্সি রেস্পোন্সকী লেভেল নিংথৌকাবা নুমিত্তগী অনীশুবদগী অহুমশুবদা হন্থহল্লগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা অৱাংবা থাক্কী ওফিসল অমনা লাউথোকখ্রে।

সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না বৈজিং ম্যুনিসিপাল গভর্নমেন্টকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি জেনরেল চেনবৈনা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি। খোঙথাং অসি হৌখিবা নুমিৎ ১৩ নি অসিদা চাইনিজ কেপিটেল অসিদা অনৌবা কেসশিং থেংনখিদ্রবা মতুংদা লাকপনি। অদুমওইমক অথিংবা খরদি মখা তানা চৎনখিগনি হায়রি।

ম্যুজিমশিং, জিমশিং অমসুং লাইব্রেরিশিংগী ভিজিটর কেপাসিটি চাদা ৫০ দগী হেনবা য়াখিরোই। এক্সিবিসনশিং, স্পোর্টস ইভেন্টশিং অমসুং অতৈ এক্তিভিটিশিং তপ্না তপ্না মহৌশাগী ফিভম লাকহনবা হৌরগনি হায়না বি বি সীনা চাইনাগী গ্লোভেল টাইমস পাউচেগী রিপোর্ট পল্লদুনা হায়খি।

মপানদগী লাকপা ভিজিটরশিং মখা তানা ক্বারন্টিন তৌবগা লোয়ননা




টেষ্ট তৌগনি অমদি মেদিকেল ওবজর্ভেসন তৌদুনা লৈহনগনি।

চৈরকসিদা, নোংমাইজিং নুমিত্তা সিঞ্জিয়াং প্রোভিন্সতা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১৩ দিটেক্ট তৌখ্রে।

থাংজ নুমিত্তা প্রেভিন্সিএল কেপিটেল উরুমকিদা ওফিসল অমনা ষ্টেট ব্রিফিং অমদা হায়খি মদুদি, সিটি অপুম্বা অসিদা লান মতমগী ফিভম অমা লাক্লে। মখল খুদিংগী মী পুনবগী থবক থৌরমশিং অথিংবা লৈরগনি। প্রোভিন্স অদুদা লৌখৎলক্লিবা ইনৌ নৌবা থৌরাংশিংগী মনুংদা মীয়াম্না মীগী য়ুমদা চৎহন্দবা, মী য়াম্না পুনহন্দবা অমদি পোজিটিভ কেসশিং থেংনবা বিল্ডিংশিংদা পাক্তক্লা স্ক্রিনিং তৌবা য়াওরি। লমদম অসিগী সিটিজনশিংনা য়াম্না তঙাইফদবগী নৎত্রবদি য়ুমদগী হেন্দোক্তনবা অমদি তঙাইফদ্রবদি টেষ্ট তৌথোক্লবা খঙহনখ্রে।

হৌজিক মালেম্না থেংনরিবা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক অসি হৌখিবা দিসেম্বরদা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা এসিয়ন জাইন্ট অসিদা পুন্না পোজিটিভ কেস ৮৫,৯২১ রেকোর্দ তৌখিবগা লোয়ননা মীওই ৪,৬৫৩গী পুন্সি লোমখ্রে।

## লোনা য়াদবা মওংদা প্রোটেষ্টরশিং ফাজিনবগীদমক্তা য়ু এসকী ষ্টেট অমনা ফেদরেল গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ১৯ (এজেন্সি) :

প্রোটেষ্টরশিংবু লোনা য়াদবা মওংদা ফাজিন্দুনা থম্মী হায়না মরাল শীরদুনা য়ু এস ষ্টেট ওরিগোনগী এটোর্নি জেনরেলনা ফেদরেল গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লোসুট অমা ফাইল তৌখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পোর্টলেন্দদা ফেদরেল এজেন্টশিং দিপ্লোই তৌশিনখিবা মতুং থাংজ নুমিত্তা ওরেগোনগী এটোর্নি জেনরেল এল্লেন রোজেনবলেমনা লোসুট অদু ফাইল তৌখিবনি।

ফেদরেল গভর্নমেন্টনদি এজেন্টশিং দিপ্লোই তৌরিবদু হৌখিবা মে ২৫ দা মিনেএপোলিসতা পুলিস কষ্টদিদা জোজ ফ্লোইদ শিখিবদগী অহিং খুদিংগী প্রোটেষ্ট চথরক্লিবা সিটি অদুদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমনি হায়রিবনি। লোসুট অদুদা রোজনব্লেমনা দিপার্টমেন্ট ওফ হোমলেন্দ সিক্যুরিটি, য়ু এস মার্সেলস সর্ভিস, য়ু এস কষ্টমস এন্দ বোর্দর প্রোটেক্সন অমদি ফেদরেল প্রোটেক্সন সার্ভিসকী এজেন্টশিং




সিটি অদুদা মখা তানা মীফা-মীপুন চথহন্দনবগী ওর্দর অমা থোকপিনবা হায়জখি।

এজেন্টশিং অসিনা মীয়াম্বু ঈংনা চিক্লা প্রোটেষ্ট তৌজনবগী মখোয়গী অহানবা এমেন্দমেন্ট রাইটশিং শীজিন্নজবা ঙমহন্দবতা নত্তনা মখোয়না হান্নদগী ঐখোয়গী লম্বীশিংদা লৈরকপা ইরাংশিং হেন্না কনশিনহল্লে হায়না ৱাকৎ অদুদা পনখি। ফেদরেল এজেন্টশিংগী থৌওংশিং অদু ওরেগোনগী ইরাং লাকশিন্নবগীদমক্তদি চান্নদ্রে হায়নসু এটোর্নি জেনরেল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রোটেষ্টরশিং ফাবদা নত্তনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা দিপ্লোই তৌরিবা ফেদরেল এজেন্টশিং অদুনা দেমোষ্ট্রেটরশিংদা টিয়ার গ্যাস অমদি প্লাষ্টিক বুলেট কাপ্পনচিংবা থৌওং কয়া চথখি হায়রি।

হৌখিবা থাংজগী অহিংদা প্রোটেষ্টরশিংনা ফেদরেল কোর্ট হাউসকী অকোয়বদা থল্লিবা ফেন্সিং থুগায়খি। ওরেগোনদা লৈবা য়ু এস এটোনিগী ওফিসনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা প্রোটেষ্টরশিং অমসুং লো এনফোর্সমেন্টশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হন্থহন্নবগীদমক্তা ফেন্সিং তৌরিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

## হোং কোংদা পোজিটিভ কেস হেনগৎলকপদগী অথিংবশিং কনশিনখ্রে



হোং কোং, জুলাই ১৯ (এজেন্সি) :

নন-ইসেন্সিএল সির্ভিল সাভেন্টশিং চয়োল অসিদগী য়ুমদগী থবক শুনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা সিটি অসিগী হোং কোংগী ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তগী কোরোনাভাইরসকী অথিংবশিং কনশিনহনখ্রে।

গ্লোভেল ফাইনান্সিএল হব অসিদা নুংতিগী থেংনবা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন মশিং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা প্রো-দেমোক্রেসি পোলিটিসিয়নশিংনা ট্রেন ষ্টেসন অমদা থোকখিবা এটেক্কী থৌদোক অমগী চহী ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অমা রাইওটকী ফিজোল শেৎপা পুলিসনা থিংখি। মী মরিদগী হেন্না পুনবা য়াদবগী অথিংবা থুগায় হায়রদুনা পুলিসনা থৌরম অদুবু থুগায়খিবনি।

হোং কোংগী লিদর কেরি লাম্না পাউগী মীফম অমদা হায়খি মদুদি, হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা সিটি অদুদা কোভিদ-১৯গী কেস ১০০ হেন্না রেকোর্দ তৌখি। মদু হৌখিবা জন্যুৱারিগী অথেংবদা পান্দেমিক অসি য়ৌরকখিবদগী নোংমদা থেংনবা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা কেস মশিংনি। টেষ্টশিং অসি থারগা সিটি অসিগী টেলি পেসেন্ট ২,০০০ লোম য়ৌরে। হৌজিক ফাওবদা লাইচৎ অসিদা শিখিবা মীশিংনা ১২ শুরে। হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি য়াম্না লুই। লাইচৎ অসি অথুবা মতমগী মনুংদা কন্ট্রোল তৌবা ঙমগনি হায়বগী মমি উদ্রি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সিটি অসিগী এম্যুজমেন পার্কশিং, জিমশিং অমসুং অতৈ মী পুনফম ১০ রোম মথংগী নুমিৎ ৭ নি চুপ্পা মখা তানা থিংজিনখিগনি। রেষ্টোরেন্টশিংনা পুং ৬ কী মতুংদা আইটেমশিং লৈরগা পুহনবদগী হেন্দবা থৌরাং মখা তানা শাংদোকখ্রে। ইন্দোর পব্লিক এরিয়াশিংদা মীয়াম্না শোয়দনা ফেস মাস্কশিং শীজিন্নগদবনি। হৌখিবা চহীগী জুলাই ২১ দা নোরদর্ন দিষ্ট্রিক্ট য়ুয়েন লোংদা থোকখিবা মীওই ৪৫ রোম অশোক-অপন নংখিবা থৌদোক অদুগী চহী অমা মপুং ফারকপগী থৌরম মীওই খরনা সোপ্পিং মোল অমদা স্লোগান কয়া লাউদুনা পাঙথোকপা হৌখি।

## ইরানগী প্রসিদেন্টকী ৱাফম হেল্থ ওফিসলশিংনা য়াখিদ্রে



টেহরান, জুলাই ১৯ (এজেন্সি) :

ইরানদা মীওই মিলিয়ন ২৫ কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লে হায়বা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম নোংমাইজিং নুমিত্তা হেল্থ ওফিসলশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্টনা পীরিবা মশিং অসি লায়না অসিদা এক্সপোজ তৌবা মীওইশিং মশিং য়াম্না খঙদোক্লবা পাঙথোকপা সেরোলোজিকেল ব্লদ টেষ্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা হায়খিবনি অমসুং অসিগুম্বা টেষ্টশিংনা লৈবাক অসিদা হৌজিক লৈরিবা লায়না অসিগী ফিভম চপ চানা খঙহনবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোক্লদুনা লৈবাক অসিগী হেল্থ ওফিসলশিংনা প্রসিদেন্টকী ৱাফম অসিবু য়াখিদবনি।

প্রসিদেন্ট রৌহানিনা থাংজ নুমিত্তা পনখিবা মিলিয়ন ২৫ মশিং অসি লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমরোমনি। অদুনা কোভিদ-১৯ কেসশিং ওফিসল মশিংদগী য়াম্না হেল্লি। নোংমাইজিং নুমিত্তা ওফিসল কেস মশিং ২৭৩,৭৮৮ য়ৌখি অমসুং লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিংনা ১৪,১৮৮ য়ৌখি হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন সিমা সদট লারিনা ফোঙদোকখি।

ইরানগী ন্যুজ মিদিয়ানা ফোঙখিবা এদমিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমদা প্রসিদেন্টনা পীরিবা ইরানগী ইনফেক্সন মশিং অসি মিনিষ্ট্রি অসিগী দেপ্যুটি অমনা পুথোকখিবা মশিংদা য়ুম্ফম ওই হায়না পনখি। লায়না অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি খঙনবা হোৎনবদা সেরোলোজিকেল টেষ্টশিংগী মপান তাংবা য়াফম থোক্তে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

কনাগুম্বা মীওই অমা লায়না অমদা এক্সপোজ তৌখিবা লৈরবদি মদু সেরোলোজিকেল টেষ্ট পাঙথোক্তুনা মখোয়গী এন্টি বোদি রেস্পোন্সশিং য়েংলগ লেপ্পা য়াই। কোরোনাভাইরস পান্দেমিক মনুং অসিদদি মীয়ামগী সেম্পলশিং সর্ভে তৌদুনা চাওরাকপা ইনফেক্সনগী চাং খঙদোক্লবা তৌবদা লৈবাকশিংনা টেষ্টশিং অসি শীজিন্নরি। সেরোলোজিকেল টেষ্টশিংনা শুপ্নগী মীওই অমা মমাংদা ভাইরস অসিদা এক্সপোজ তৌখি নৎত্রগা তৌখিদে হায়বদু খঙবা ঙমহনবখক্তনি হায়না গভর্নমেন্টকী কোরোনাভাইরস টাস্ক ফোর্সকী মকোক মোষ্টাফা কানৈনা ফোঙদোকখি।